# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-04-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা কাংপোকপী অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

২) মমাংগী মীখলশিংগা মান্নদবা মওংদা মণিপুরদা সোসিয়েল মিদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা ভোৎ খোন্নবগী থবক চথুরি।

অমসুং

৩) লোক সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচেগী স্ক্রুতিনি ঙসি পাঙথোক্কনি।

-----

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। কাংপোকপী জিলা অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদগী য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- কাংপোকপী জিলাগী সিংদা দাম অমসুং খারম ৱাইফৈদগী ইম্প্রুভাইস মোর্টার অমা, মেগজিন য়াওবা করবাইন মেছিনগন অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা ত্বেল্ব বোর গন অমা, থার্তিসিক্স হেন্দগ্রেনেদ অনি, টু ইঞ্চ মোর্টার বোম অনি, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১১ অমসুং এমতি কেস ২৬ নি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী সাধু নেপালি বস্তিগী মখা থংবা শরুক্তা লৈবা চীংখোঙশিংদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া অমসুং ফংখি হায়রি। মদুদি- করবাইন অমা, মেগজিন য়াওবা এম.কে.টু ষ্টেন অমা, এন্তি রাইওট গন অমা, লোকেল মেদ পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, কন্ত্রি মেদ নাইন এম.এম. নোংমৈ অমা, টিয়ার গ্যাস স্মোক সেল ৬, গ্রেনেদ ট্যুব লোঞ্চর ৩, হেন্দ গ্রেনেদ ১৪, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১৪, গ্রেনেদ লোঞ্চিং ৱিং ৫ অমসুং বুল্লেট প্রুফ জেকেট অমনি।

অমরোমদা, নেসনেল হাইৱে নম্বর-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অমসুং নেসনেল হাইৱে নম্বর থার্তি সভেন ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎশিং পুবা পুন্না গাড়ি ৪০০ হেন্না সেক্যুরিতি ফোর্সনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা ইম্ফাল য়ৌহল্লকখ্রে হায়রি। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ১৩১ দা চ্যেক পোইন্ট হাংদুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক তৌরি হায়নসু পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি।

আর্মি (এল)ঃ নোনে জিলাগী মনুং চনবা নুঙবাদগী কিলোমিতর ৮ লোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা এক্সিদেন্ট থোকপদগী লোকখাদা তাশিল্লম্বা ত্রক অমা কনবা চংলুবদা বোমগী মচাকশিং য়াওরম্বা থেংনরে হায়রি । থৌদোক অদু তেরিতোরিয়েল আর্মিগী ১০৭ শুবা বত্তাল্লিয়নগী কম্মান্দর লেফটনেন্ট কর্নেল আর.কে. শর্ম্মনা হল্লকপগী লম্বীদা থেংনখিবনি। ফিট ২০০ হেন্না লুবা চীংচেপতা তাশিল্লম্বা সিমেন্ট পুবা গাড়ি অদুগী দ্রাইভর অদু ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুংদা মখা তাবা লায়েংগীদমক সিলচরদা পুহনখি। অদুবু এক্সিদেন্ট থোক্লিবা গাড়ি অদুগী ফিভম মখা তানা য়েংশিল্লুবদা চাউরাকা কিলোগ্রাম ৪২ রোম ওইগদবা বোম শাবদা শিজিন্নবা মচাকশিং য়াওরম্বা থেংনখিবনি। নুঙবা পুলিসনা পোৎলমশিং অদু লৌখৎখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

কেম্পেন (এল)ঃ হৌজিক ওইরিবা রাজ্য অসিগী ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মীখলগা মরী লৈননা মহৌশাগুম মীয়ামগী মীফম অমদি ভোৎ খোন্থগী কেম্পেন্নচিংবা পাক শন্না পাঙথোকপগী মমি তাদ্রি। অদুবু তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংনা মখোয়গী মীরেপশিং লাক্নদৌরিবা মীখল অসিদা মায় পাকহন্নবগীদমক তম্পাক্কী মফমশিংদা লৈবা কৈথেলশিংদা চংদুনা ভোৎ খোন্থগী মমি খরদি তারি। দলগী লুচিংবশিংনা মাগী মাগী কেন্দ্রগী মফমশিংদা মীফম খরদি পাঙথোকপসু হৌনরক্লি।

নাকল অমদনা, মমাংগী মীখলশিংগা মান্নদবা মওংদা সোসিয়েল মিদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা ভোৎ খোন্থগী থবকসু চত্থবা হৌনরক্লে। ফেস বুক, ইন্সটগ্রাম অমসুং ৱাটসএপ্প গ্রুপনচিংবশিংদা মানা মানা পাম্বা মীরেপশিংগী মতাংদা মতিক ময়াইশিং শন্দোকপা হৌনরক্লি। মীরেপশিং অদুনা মমাংদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমচিংবদা ঙাংখিবা ৱাফমশিং ক্লিপ ওইনা মতেক কক্তুনা থাদোকরকপগী চাংসু নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি।

সিইও (এল)ঃ লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা মীয়াম্বু মপুংফানা শরুক য়াননবা অমদি মীখলগী এৱারনেস পীননবগীদমক ঙসিদগী সিগনেচর কেম্পেন হৌরগনি। রাজ্যগী জোইন্ট চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা খঙহন্নবা অমদি মীখল অসিদা ভোতরশিংনা শরুক য়াননবা ঙসিদগী লমফেলপাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগী ওফিসতগী সিগনেচর কেম্পে অসি হৌদোক্কনি।

অমরোমদা, মমাংদা পাঙথোকখিবা মীখলদা ভোত থাদবা থোরকপগী চাং খ্বাইদগী নেমখিবা লৈবাক অসিগী রাজ্য ১১ গী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারশিং অমদি ম্যুনিসিপাল কম্মিসনারশিংগা ইলেক্সন কম্মিসনগী মীহুৎশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি। মীফম অদুদা ভোৎ থাদবা থোরকপা মীওই মশিং হেনগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নগনি।

ইলেক্সন ঃ   লোক সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙরাং লোইখিবগা লোয়ননা মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি ঙসি পাঙথোক্কনি। অদুমওইনমক জম্মু কাশ্মীরদদি মীরেপচেশিংগী স্ক্রুতিনি হয়েং পাঙথোক্কনি।

তাঙ্কক অসিদা আউটর মণিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী শরুক খরা য়াওনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১২ গী লোক সভা কেন্দ্র ৮৮ দা ভোৎ থাদনগনি। আউটর মণিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী শরুক খরদি অহানবা তাঙ্কক্তা ভোৎ থাদনগনি।

অনিসুবা তাঙ্কক অসিদা কেরলাগী সিট ২০, করনাটক্কী ১৪, রাজস্থানগী ১৩, উত্তর প্রদেশ অমদি মহারাষ্ট্রগী ৮-৮, মধ্য প্রদেশকী ৭, অসাম অমসুং বিহারগী সিট ৫-৫, নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং ছত্তিসগরগী সিট ৩-৩ অমসুং মণিপুর, ত্রিপুরা অমদি জম্মু কাশ্মীরগী সিট অমমমগী মীখল পাঙথোক্কনি। ভোৎ থা অসিগী ২৬ তা থাদনগনি।

ঙরাং মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎতা মমিং লৈরবা লুচিংবা কয়ানা মখোয়গী মীরেপচেশিং পীশিন্নখি। উত্তর প্রদেশকী মাথুরা লোক সভা সিটতা হিমা মালিনি, করনাটক্কী মন্দিয়া সিটতা ঐচ.দি. কুমারা স্বামি, ৱায়ানার সিটতা কে. সুরেন্দ্রন অমসুং কেরলাগী অনাপুজা সিটতা কে.সি. ভেনুগোপালনা মীরেপচে পীশিনখি।

কোষ্টগার্দ ঃ   ইন্দিয়ান কোষ্ট গার্দনা চেন্নাইগী সি-নাইন্তি ফাইভ এম.এমদগী ঙা ফাবা মীওই ৮ কনবা ঙমখ্রে। কোষ্ট গার্দনা চথখিবা রেস্ক্যু ওপরেসন অমদা থিবা খঙখিদবা ঙা ফাবা মীওই ১০ গী মনুংদা মখোয় ৮ দি হিংনা কনবা ঙমখিবনি। কোষ্ট গার্দকী চেরোল অমনা হায়- ঙা ফাবা চৎখিবা মখোয় ১০ না তোংখিবা হি অদু য়ুরকপদগী ঈশিং চংশিল্লক্তুনা লুপথখিবনি। কোর্ষ্ট গার্দকী মার্চেন্ট ভেসেলনা মফম অদুদা চংশিন্দুনা ঙা ফাবা মীওইশিং অদু কন্নবা হোৎনখি। অদুবু মীওই অনিদি কনবা ঙমখিদে।

বেদমিন্টন ঃ  ভারতকী নহা ওইরিবা সট্টলর অনমোল খারব য়াওনা লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোই মরি কাজকিস্তান ইন্তরনেসনেল চেলেঞ্জগী ক্বাটর ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে। কাজকিস্তান অষ্টানাদা ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা অনমোল খারবনা য়ুনাইতেদ আরব ইম্মিরেটসকী নুরানি রাতু অঝারাবু ২১-১১, ২১-৭ তা ময়াথিবা পীদুনা ক্বাতর ফাইনেল চংখিবনি। ক্বাতর ফাইনেল চংখ্রবা অতোপ্পা শান্নরোইশিং অদুদি- দেবিকা সিহাক, অনুপামা উপধ্যায়, তানিয়া হেমন্ট অমসুং ইসারানি বরুৱানি। মিক্স দবলগী ওইনা রোহান কাপুর অমসুং রুথ বিজা সিবানি গদ্দে, অভায়ুদে চৌধরি অমসুং বৈষ্ণবি খতকেকর, সঞ্জয় শ্রীভাস্তা ধনরাজ অমসুং মনিসা কে. জাকুৱো সেয়ি অমসুং অলিসা খানসু ক্বাটর ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লোক সভা মীখল নকশিল্লকপগা ইরোয়ননা মীখলগা মরী লৈনবা পাউশিং ঙসি ফোংলিবা পাউচে অয়াম্বদা ফোংবা থেংনরে।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন অসি অহোংবা পুরকবা মীখলনি হায়না ওক্রম ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। হেদলাইন অসিগী মখাদা কংগ্রেসকী মীরেপ ওইরিবা বিমোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, ইচা ইনাউশিংগী কন্নবা ঙসিদগী শেম শাবীয়ু হায়বা সবহেদলাইন অসি ফোংবা থেংনরে।

পাউ অসি পোকফম পাউচেদা তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। হেদলাইন অদুদি- বি.জে.পি গভর্নমেন্টনা লৈঙাকপা হৈত্রগা মমাংগী গভর্নমেন্টতা তাইনদুনা লৈরে হায়বা ওক্রম ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিনি। সবহেদলাইনদা ঐখোয়গী খোল্লাউ চিন খক্তগী ওইহনগুমশি, থম্মোয়গী খোল্লাউ ওইহনশি হায়না কংগ্রেসকী মীরেপ বিমোলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসি ফোংলি।

পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল অমসুং শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি- আর.পি.আই (অথৱালে)গী ওইনাম এ.সিদা মীরেপ ওইখিবা ব্রোজেন অমসুং ৱার্করশিং কংগ্রেসতা য়াওরকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনি।

এস.বি.আই বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চতগী ষ্টাফ অমনা লুপা ক্রোর অনি, লুপা লাখ ৫০ গী সনা লৎ তৌরগা লোৎখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি মণিপুর নিউজগী অহানবা হেদলাইননি।

পাউ অসি সনালৈবাক পাউচেদনা এস.বি.আইগী ষ্টাফ অমা লোকরদগী লুপা ক্রোর অনি হুরাল্লগা চেনখ্রে হায়না হেদলাইন পীরি।

এন.পি.এফকী মীরেপ কচুই তিমোথি জিমিক্কী ইলেক্সন কেম্পেন ডখ্রুলদা হৌদোকখ্রে, হায়রিবা হেদলাইন অসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইননি। হেদলাইন অসিগী মখাদা মায় পাক্লবদি মণিপুরগী ইস্যু অসি ৱারী শান্নদুনা লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়বা তিমোথিগী ৱাফম সবহেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেলাইন অমসুং অমসুং গানফিউ মেদলগীনা অহুমসুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলক্লি।

সোনিয়া গান্ধি য়াওনা মীওই ১৪ রাজ্য সভাগী এম.পি. ওইনা ৱাশক লৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইননি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী ফোটো জরনেলিষ্ট ষ্টেফেন লুৱাং সি.পি.বি ফোটো এৱার্দ ফংলে হায়বা হেদলাইন অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

বিষ্ণুপুর অমসুং চুরাচান্দপুরদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে হায়বা হেদলাইন অসি মোর্নিং বেলদা ফোংবা থেংনরে।

হিল এরিয়া কমিতিগী চেয়ারমেন দিগাংলুং গাংমৈনা ফোংদোকখিবা ৱাফম- মণিপুরগী ইরাং অসি ৱারী শান্নবা খক্তনা লোইশিনবা ঙমগনি হায়বা হেদলাইন অসি তমেংলোং টাইমকী অনিসুবা হেদলাইননি।

------